# ফিজিগী নোংলৈ নুংশিৎতা মীওই ৫ শিখ্রে, হেলঠকী ক্রাইসিস থোক্লক্কদ্রা মীপাইনরি



সিদনি, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
সাউদর্ন হিমিসফিয়রদা হৌজিক ফাওবদা রেকোর্দ তৌখিবা খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল লৈবা নোংলৈ নুংশিৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নোংলৈ নুংশিৎ ৱিনষ্টননা পেসিফিক্কী ঈথৎ লৈবাক ফিজিদা শাফু কন্না শিৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গং কয়াদা উ-ৱা অমদি যুম-কৈ কয়া থুদেক্তুনা মাঙ-তাকখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে। অকনবা নুংশিৎকী শাফুনা মৈগী লাইনশিং থদৎখিবা অমসুং খুদক্কী ওইনা ঈচাও থোক্লকপগী ফিজিদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা অপনবা ওইরে হায়রি।

অকনবা নুংশিৎ অমসুং নোংনা যুম কয়া থুদেকখি, মৈগী সপ্লাই থদৎখি, ঈশিং থাবা লেপহনখি অমসুং মীওই ৯০০,০০০ রোম লৈবা লৈবাক অদুগী মফম শিন-থুংনা ঈ-পাউ থাদোক থাজিনগী লিঙ্কশিংসু তৎনখি। অদুম ওইনমক অরোইবা মীৎকুপ্তা নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী মরম হোংখিবদগী কেপিটেল সুভাদি নুংশিৎকী শাফুগী চৈথেং নংহৌদ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক বাইনিমারামানা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা শিখিবা মীগী মশীং কনফর্ম তৌখ্রে অমসুং নুমিৎ ৩০ নি ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা স্কুলশিং থোঙ লোলহনখ্রে অমসুং লৈবাক শিন-থুংনা থল্লিবা কর্ফিয়ুগী মতমসু নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

"ঐখোয়না হেক ঙম্বগা মৈ অমসুং ঈশিং থাবগী মতম খঙহনগনি" হায়না মহাক্না হায়খি অমসুং মফম খরদা মখা তানা খুদোংথীবা অমসুং অমাঙ-অতা থোক্তনবা অতম্মনা মৈ থাবা লেপহনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কিলোমিটর ২৩০ গী চাংদা শিৎলকখিবা অমসুং মরক মরক্তা কিলোমিটর ৩২৫ ফাওবা য়ৌনা কল্লকখিবা ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎ ৱিনষ্টন ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা ঈথৎ ৩০০ লোমগী অর্কিপেলাগো অদুদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা থুংলখিবনি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চৈথেং পীখিবা ফিজিগী মপুং ওইবা ঈথৎ লমগী অৱাংদা লৈবা রাকিরাকি মনাক্তা বিজনেস তৌদুনা লৈবা জয় দায়াল কৌবা মীওই অমনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মাঙহন-তাকহল্লিবদু পাক শল্লি হায়খি।

"হৌজিক মীয়াম্না চানিংঙাই-থক্লিংঙাই অমত্তা লৈত্রে হায়রকপদা ঐঙোন্দা ঙক্লিংঙাই ওইরোই। মসি তোঙানবা লৈবাক অমা মাল্লে, য়েংবদা ফিজি মান্দ্রে" হায়না দায়ালনা রোইটর্জদা হায়খি।

হ্যুমেনিটরিয়ন এজেন্সীশিংনা চেকশিন-ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, মরু ওইনা মৈ ফংদবনা মরম ওইদুনা ফিজিদা হেলঠকী ক্রাইসিস অমা মায়োক্নরকপা য়াই। "মরুওইনা তুরেল মপানগী অনেম্বা লমগী শরুকশিংদা তিন খন্দুনা লৈরিবা মীওই চা কয়া খুদোংথীনিংঙাই ওই" হায়না এইদ ৱার্করশিংদুনা হায়খি।

"পম্পশিং মথৌ তৌহন্নবা অমসুং ষ্টেরিলাইজনগীদমক্তা ঐখোয়না মৈ তঙাই ফদে" হায়না রাইজেলি কিকোল কৌবা এইদ এজেন্সী ওক্সফামগী ওফিসল অমনা রোইটর্জদা ফোঙদোকখি।

# যু এসকী মিলিটরি বেজ থন্থগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



টোকিয়ো, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
যু এসকী মিলিটরি বেজ অমা ওকিনাৱা ঈথৎতা হোংদোক হোংজিন তৌনবা গভর্ণমেন্টনা থবক পায়খৎলকপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মীওই লিশিং কয়ানা ঙসি জপানগী পার্লিয়ামেন্ট কোয়শিনখ্রে হায়না লোকল মিদিয়াগী পাউনা ফোঙদোকখ্রে।

কিয়োদো ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি মদুদি, মীওই ২৮,০০০ রোমনা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা সেন্ট্রেল টোকিয়োদা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্ট হাউসপু মখুৎ শম্নদুনা কোয়শিনখি অমসুং মাখোয়না "মিলিটরি বেজ শাবা য়ারোই" হায়না লাউখি। মীওই চা কয়ানা লৈবাক শিনথুংনা মান্নবা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখি হায়না কিয়োদো ন্যুজনা মখা তাখি।

ওকিনাৱা ঈথৎ অসি অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মনুংদা জপানগী অমত্তা ঙাইরবা লৈমায়দা শোক্লখিবা লাল কয়াগী মফম ওইখি অমসুং ঈথৎ অদুদা লৈরিবা মীওই কয়ানা মখোয়গী লম অদুদা যু এসকী লান্মী লিশিং কয়া অমসুং মিলিটরিগী খুৎলাইশিং থমজিনবা য়ানিংদে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জপাননা হৌজিক্লা মী চিন্না তাবা মফম অমদা লৈরিবা যু এসকী মিলিটরি বেজ অমবু হোনেকোগী মফম অমদা অমুক হোংজিনবা হায়না য়ান্নখি। তৌইগুম্বসুং ঈথৎ অদুগী মীওই কয়ানা প্রপোজেল অদু য়ানিংদবগা লোয়ননা মিলিটরি বেজ অদু ঈথৎ অদুদগী পুংহোং হোংদোকখিনবা দিমান্দ তৌখি।

ওকিনাৱাদা লৈবা মীওই কয়ানা যু এসকী মিলিটরি বেজশিংনা নিল খোংবা, নুংশিৎ অমসুং ঈশিং শেংহন্দবা অমসুং ক্রাইম থোকহল্লি হায়না নুংনাংবা ফোঙদোক্লে হায়রি।

# সিরিয়াগী হোমস সীটিদা কার বোম ২ পোকখায়খ্রে, মীওই ৪৬ শিখ্রে

দামাসকস, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
সিরিয়াগী সীটি হোমসতা থোকখিবা কার বোম পোকখায়বগী থৌদোক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৬ শিখ্রে।

সিরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী সানানা ঙসি কার বোম এটেক অদুগী মতাংদা হায়খি মদুদি, এটেক অদু হোমস সীটিগী অল-অরমনগী যুম খরগী চঙফম মনাক্তা থোকখিবনি অমসুং এটেক অদুদা মীওই ১০০ রোমসু শোকখি হায়না লোকল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হোমসতা অল জজীরাগী করেস্পোন্দেন্ট অমনা থৌদোক্তুদা শিখিবা মী মশীং ৪২ নি হায়খি। যু কেদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা থৌদোক্তুদা শিখিবা মী মশীং ৪৬ নি অমসুং মখোয়গী মনুংদা ২৮ দি মীচমশিংনি হায়খি।

সিরিয়ন ষ্টেট টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টকী ফুটেজনা কার বোম পোকখায়বদুনা মরম ওইদুনা উফুল-ৱাইফুল, মৈখূনা মম্বা অমসুং মৈ চাকপগী শক্তমশিং উৎখি।

বোমগী শাফুনা দুকান কয়াগী মমায়শিং ফক্কাইখি অমসুং কার কয়া পুংথু থুগায়খি। শাথীরবা বোম্বিং এটেকশিং অদু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিনখিবা মতুং নোংমা লৈরগা চথ্থরকখিবনি তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অদুনা এটেকশিং অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌরকপদি লৈত্রি।

মতম অমদা সিরিয়াদা অহোংবা লাকখিবগী কেপিটেল ওইনা উনরম্বা হোমস অসি হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌখ্রে। মফম অদু বোম্মরশিংনা চাং নাইনা এটেক তৌরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থাদসু দবল বোম্বিং এটেক চথ্থদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ হাৎখি। এটেকশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দি লেভন্ট (আই এস আই এল)না ক্লেম তৌখিবনি। হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর থাদসু মফম অদুদা লৈবা স্কুল অমদা তুজুংনিংঙাই ওইরবা এটেক অমা চথ্থদুনা অঙাং ৪৮ য়াওনা পুন্না মীওই ৫২ হাৎখিবনি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা রাক্কাদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দি লেভন্ট (আই এস আই এল)কী ষ্ট্রোংহোল্ড তম্মা চঙশিল্লকখিবগা ইরোয়ননা অলেপ্পো প্রোভিন্সকী অকোয়বদা লেপ্তুনা খুৎপায় চেৎশিনলকখিবগা চাননা খ্বাইদগী নৌবা বোম্বিং এটেকশিং অসি পাঙথোরকখিবনি।

ঙসি যু কে-বেজ ওভজার্ভেটরিনা হায়খি মদুদি, রসিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা সপোর্ট তৌদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অলেপ্পাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং ১৮ কেপচর তৌখিবগা লোয়ননা অলেপ্পো অমসুং রাক্কাগী মরক্তা লৈবা কিলোমিটর ৪০ রোম শাংবা হায়ৱেগী শরুক শীজিন্নবা ঙম্বগী ফীভম লৈখ্রে। হায়ৱেগী মতেক অদু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌখিবা নভেম্বরদা নৌনা খুদুম চনখিবা কৱৈরেস মিলিটরি এয়রপোর্ট ফাওদুনা চৎলি হায়রি।

অলেপ্পোদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা ইনৌ নৌনা চঙশিনখিবসি রাক্কা প্রোভিন্স য়াওনা নোর্দন সিরিয়াবু কন্ট্রোল তৌরিবা আই এস আই এলগী ফাইটরশিংগা কন্না খুৎ থোক্লখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদনি। সানাগী পাউনা ঙরাং নুমিদাং হায়খি মদুদি, অলেপ্পাগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুকশিংদা লৈবা খুঙ্গং কয়াদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সিক্যুরিটি অমসুং তং তাবগী ফীভম হঞ্জিনহল্লে।

# ওপোজিসনগী মীরেপ ১ জেলদা থমখ্রবা তুংদা নিগরদা মীখল পাঙথোকখ্রে



নিয়ামি, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
নিগরগী প্রসিদেন্ট অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মীখলশিংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মহামাদৌ ইসৌফৌবু শীংনদুনা চোংথোক্লিবা মরু ওইবা মীরেপশিংগী মনুংদা বেবি ট্রাফিকিংগী মরালদা জেলদা লৈরিবা মীরেপ অমা য়াওবগা লোয়ননা ঙসি ভোটরশিংনা মখোয়গী অপাম্বা মীওইশিং খন্ননবা ভোট থাদনখ্রে।

প্রসিদেন্ট ইসৌফৌনা হন্দক্কী মীখল অসিদসু মায় পাক্তুনা অনীরকশুবা ওইনা চহী মঙাগী টর্ম অমগসু পায়খিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা মরক্তা নিগরদা ঙসি মীয়াম্না (ভোটরশিংনা) হেদ ওফ ষ্টেট অমা অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং খন্ননবা ভোট থাদনখি। পুন্না মীওই মিলিয়ন ৭.৫ ভোট থাদবা য়াহনখিবগা লোয়ননা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মীখলগী রিজল্টশিং লাউথোক্কনি হায়রি।

নিগরগী মশীং য়াম্না কাঙলুপকী লোল "হাউসা"দা জাকিনৎত্রগা নোংশা হায়না খঙনবা মশাগী চহী ৬৩ শরুবা মেথমেটিসন অমসুং মাইনিং ইঞ্জিনিয়র অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসন ওইখিবা ইসৌফৌনা পুন্না লম্বা ১৪ মায়োক্নরি। মরু ওইনা মহাক্না হান্নগী প্রসিদেন্ট অমা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর অনী পুন্না মীওই অহুম্থ হন্দক্কী মীখল অসিদা অকনবা লম্বাশিং ওইনা মায়োক্নরি।

প্রসিদেন্ট ইসৌফৌনা করিগুম্বা অহানবা রাউন্দদা মায় পাকপা ঙমদবা তারবদি মহাক্কী মরু ওইবা লম্বাশিংনা মহাকপু মপুং ফানা মায়থীবা পীদুনা মখা তানা খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদু পায়হন্দনবগীদমক্তা মখোয়গী মরক্তা ভোট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা মীওই অদুবু শৌগৎনবগী য়ানবা অমা পুরকখ্রে হায়রি।

ওপোজিসনগী কাঙবুগী মকোক চিংলিবা মহাক্কী লম্বাশিংগী মনুংদা অমদি মশাগী চহী ৬৬ শুরবা হামা অমাদৌনি। মহাক হৌখিবা নভেম্বরদা বেবি ট্রাফিক্কিংগী ৱাথোক অমদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা ফ্রান্সতা লোই চৎলুরগা হল্লকপদা ফাখিবগা লোয়ননা জেলদা লৈরকখিবনি। মীখল অসিদা মহাক্না জেল মনুংদগী ভোট খোল্লকখি হায়রি। হান্না প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং স্পিকর ওইরম্বা অমাদৌনা নাইজিরিয়ন দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (এন দি এম) বু লুচিংলি।

পার্টি অসিগী মীওই লিশিং কয়া হৌখিবা থাদা জেলদা লৈরিবা মখোয়গী কেন্দিদেট শৌগৎতুনা পুনখিবগীদমক্তা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপখি।

"জেলদা লৈবদগী মহাকপু মীয়াম্না পাম্নবা হেনগৎলক্লে হায়না অমাদৌগী সপোর্টরশিংনা হায়নরি। মখোয়না মহাক হান্নদগী পোপুলর ওই, অদুবু হৌজিক্লা হেল্লে হায়নরি" হায়না অল জজীরাগী মহমদ বালনা কেপিটেল নিয়ামিদগী পাউ পীরকখি।

# গনমেন অমনা মীওই ৭ কাপ্তুনা হাৎখ্রে



লনসিং (মিসিগন), ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
মিসিগন ষ্টেটকী সীটি কালামাজুদা নোংমৈ পায়বা মীওই অমনা গাড়ী থৌদুনা অউ অউবা মীশিংদা কাপ্লে হায়বগী পাউ অমগী মতুংদা থৌদোক অদুগী মরীদা "কন্না চিংনবা মীওই" অমা ফারে হায়না যু এসকী পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মশক খঙদবা মীওই অদুনা গাড়ী থৌদুনা মথোং মরম খঙদনা অউ অউবা মীদা নোংমৈ কাপ্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ হাৎখ্রবা অমসুং অতৈ কয়ামরুম্না শোকহনখ্রবা মতুংদা পুলিসনা মী থিবা অমসুং তান্নবগী অকনবা থবক অমা পাঙথোকখি। নোংমৈনা পানখিবশিং অদুগী মনুংদা চহী মাপন শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অমা ঙসি অয়ুক অরুবা ফীভমদা শোক্তুনা লৈরমখি।

মিসিগন ষ্টেটকী পুলিসমেন লেফটিনেন্ট দ্যাল হিঞ্জনা দব্লিয়ু এম টি টিভিদা হায়খি মদুদি, উহৌবশিংগী পাউদমদা য়ুম্ফম ওইরগা নোংমৈ পায়বা মীওই অদুগী শক্তমগা চানবা কার থৌবা নুপা অমা ফাখিবগা লোয়ননা ফীভমদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়না পুলিসনা থাজে।

"মীশিংনা ফোঙদোক্লরিবা মীগী মশক-মতৌদুগা চান্নবা মীওই অদু ঐখোয়না ফারে অমসুং মহাক চহী ৪৫ শুরে" হায়না হিঞ্জনা ফোঙদোকখি। "হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না খঙলিবসি মমিনি। মহাক হৌজিক ৱাহং পাউহং তৌরি" হায়না হিঞ্জনা মখা তাখি।

সেরিফ পোল মেটচিজনা তুংদা নেটৱার্ক অদুদা হায়খি মদুদি, পুলিসনা তান্নদুনা মনাক্তা চঙশিনবদা চিংনবা মীওই অদু মশা মথন্তা লেপচখি। "মীয়ামদা অকিবা পোকহল্লম্বদু লোইখ্রে। নুপা অমনা কার কোইথৌ থৌরগা মী হাৎলে হায়বসি মীয়াম্না তাবদা খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাইনি। মহৌশানা মসিগী মরম লৈগনি অমসুং চিংনবা মীওই অদু ৱাহং-পাউহং তৌরগা করিগীনো হায়বদু ঐখোয়না খঙলগনি" হায়না মেটচিজনা ফোঙদোকখি।

ঙসি নুমিদাং কাউন্টি অসিদা অমসুং কালামাজু সীটিদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক কয়া থোকখি। মখোয় লোইনমক মরী লৈনবা মাল্লি। মান্নবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইদুনা মী ময়াম শিরে হায়না কালামাজু কাউন্টিগী অন্দরসেরিফ পোল মায়েসনা ষ্টেট ন্যুজ চেনেল অমদা হায়খি।

নোংমৈ কাপ্পা মীওই অদু হীগোক নৎত্রগা সিলভর মচুগী চেভ্রোলেট ঐচ ঐচ আর তোংবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

পরিং নাইনা চথ্থরকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা কালামাজুগী কাউন্টি এপার্টমেন্ট কমপ্লেক্স অমদা নুপী অমদা নোংমৈনা হঞ্জিন হঞ্জিন কাপখিবগা লোয়ননা হৌখি। মহাক ফীভম লুনা শোকখি অদুবু হিংবা য়ানা লৈ হায়না কালামাজু কাউন্টিগী প্রোসিক্যুটর জেফ গেট্টিংনা হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতুং পুং ১০ রোম তাবদা কার য়োনফম অমদা পুলিস কৌরকখি। মফম অদুদা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখি অমসুং অমনা ফীভম লুনা শোক্লমখি।

চহী ১৪ গী নুপীমচা অমা য়াওনা অতৈ মীওই মঙাসু লোকল রেষ্টোরেন্ট অমদা রোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়না কালামাজুগী সেরিফ পোল মেটচিজনা ফোঙদোকখি।

# ফ্রান্সনা রিফ্যুজীশিংগী ইভিক্সন ওর্দর থোকখ্রে

পেরিস, ফেব্রুৱারী ২১ ঃ
ফ্রান্সনা কলাইসতা লৈবা রিফ্যুজী কেম্প অমগী তোঙানবা মফমদা লৈবা রিফ্যুজীশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা মফমদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা নৎত্রগা নম্ফুদা মফমদুদগী হলহনবগী ফীভম অমা মায়োক্লনবা খঙহনখ্রে।

'জঙ্গল' হায়না খঙনবা কেম্প অদুগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা রিফ্যুজীশিং অদু মখোয়গী পোৎলম-চৈরমশিং পুদুনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মফম অদু থাদোকখিনবা খঙহনখি। ওথোরিটিশিংনা মফম অদুদা টেন্ট কয়া খনগৎতুনা লৈরিবদু শিদোক্লবগীদমক্তা রিফ্যুজীশিংবু মফমদু থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখিবনি।

কলাইসকী ষ্টেট ওথোরিটিনা থোকখিবা ওর্দর অদুনা হায়খি মদুদি, ওর্দর অদু ইন্দদুনা মফম অদুদা লৈশিল্লিবা মীওইশিং পুলিসনা নম্ফুদা পুথোক্কনি।

করম্বা মতমদা এরিয়া অদু তকখাইগদৌরিবনো হায়বদুদি ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবা ফোঙদোক্ত্রি।

হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রুপশিংনা হায়রি মদুদি ওথোরিটিশিংনা তকখাইগদৌরিবা মফমদুদা লৈরিবা রিফ্যুজীশিংগী মশীং ১০০০ হেল্লি। দোক্টরস ওফ দ ৱার্ল্ড য়াওনা কেম্প অদুদা থবক তৌরিবা এসোসিয়েসন নিপাননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ফ্রান্সকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ওথোরিটিশিংনা লাংলিবা ওল্টর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্টশিংদু হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিংগী পাউখুম ওইবা য়ারোই হায়খি।




# EMPLOYMENT NEWS

## e- Courts Recruitment 2016

Office Of The District & Session Judge, Moga invites Applications for the post of 06 Peon (Class-IV). Apply before 03 March 2016.
Job Details :
Post Name : Peon (Class-IV)
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 4900-10680/-
Grade Pay : Rs.1300/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification : Should Have Knowledge of Punjabi Language upto middle standard.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 37 Year As on 01.01.2016
Job Location : Moga (Punjab)
How to Apply : Interested Candidates may apply in plain paper along with attested copies of Testimonials, send to Office of the District & Session Judge on or before 03.03.2016.
Last Date For Submission Of Application : 03.03.2016
Detail Advertisement Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification_15.pdf

## e- Courts Recruitment 2016 – 12 Xerox Operator, Senior Bailiff & Various Vacancies – Last Date 29 February

Principal District Court, Karur invites application for the post of 12 Xerox Operator, Senior Bailiff & Various Vacancies. Apply before 29 February 2016.
Job Details :
Post Name : Xerox Operator
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-
Post Name : Senior Bailiff
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification :
For Xerox Operator : S.S.L.C Passed.
For Senior Bailiff : S.S.L.C Passed & Practical experience for a period of not less than six months in operation of Xerox graph machine.
Nationality : Indian
Age Limit : For SC/ST Candidates : 18 to 35 years
For OBC Candidates : 18 to 32 years
For Other Candidates : 18 to 30 years
Job Location : Karur (Tamilnadu)
How to Apply : Interested candidates may apply in Prescribed Application form along with self attested copies of certificate & Document send to The Principal District Judge Principal District Court, Combined Court Building, Thanthonimalai, Karur – 639 007 on or before 29.02.2016.
Last Date For Submission Of Application Form : 29.02.2016
Detail Advertisement & Application Form Link : http://ecourts.gov.in/sites/default/files/Notification%20and%20Application%20both%20tamil%20and%20english_0.pdf

## NRSC RECRUITMENT 2016

National Remote Sensing Centre (NRSC) invites application for the post of 47 Graduate & Technician Apprentices under the Apprentices Act, 1961. Apply Online 06 March 2016.
Advt. No. : NRSC.RMT.01/2016
Job Details :
Post Name : Graduate Apprentices
No. of Vacancy : 17 Posts
Pay Scale : Rs.5000/- (Per Month)
Post Name : Technician Apprentices
No. of Vacancy : 30 Posts
Pay Scale : Rs.3542/- (Per Month)
Eligibility Criteria for NRSC Recruitment :
Educational Qualification :
For Graduate Apprentices : First Class Bachelor's Degree in Engineering /Technology in the respective disciplines with 65% marks or above OR Bachelor's Degree + First Class Degree in Library Science/Library & Information Science.
For Technician Apprentices : First Class Diploma (3 years duration) in Engineering in the respective disciplines.
Nationality : Indian
Age Limit : 35 years as on 06.03.2016
Job Location: Hyderabad (Andhra Pradesh)
*How to Apply NRSC Vacancy:* Interested Candidates may apply Online through the website www.nrsc.gov.in from 15.02.2016 to 06.03.2016.
Starting Date for Submission of Online Application : 15.02.2016
Last Date for Submission of Online Application : 06.03.2016

## NITRD RECRUITMENT 2016

National Institute of Tuberculosis and Respiratory Diseases invites application for the post of 06 Staff Nurse & Hospital Multi Tasking Staff. Apply before 10 March 2016.
Job Details :
Post Name : Staff Nurse
No of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Hospital Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-
Eligibility Criteria for NITRD Recruitment :
Educational Qualification :
For Staff Nurse : 3 years Diploma in General Nursing and Midwifery or equivalent. Registered as Nurse; and Registered as Midwife or equivalent with any State Nursing Council.
For Hospital MTS : Matriculation or equivalent pass.
Nationality : Indian
Age Limit :
For Staff Nurse : 45 years
For Hospital MTS : 18 to 35 years
Job Location : Delhi
How to Apply NITRD Vacancy : Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested Copies of all certificates in support of qualifications and experience send to Director, National Institute of TB & Respiratory Diseases, Sri Aurobindo Marg, New Delhi-110030 on or before 10.03.2016.
Last Date for Submission of Application : 10.03.2016

## HAL RECRUITMENT 2016

Hindustan Aeronautics Limited invites application for the post of 05 Aircraft Technicians (Ex-Navy) on Tenure Basis in Helicopter MRO Division, Bangalore. Apply before 29 February 2016.
Job Details :
Post Name : Aircraft Technicians
No. of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 24500/- for candidates with NAC/NCTVT and Rs. 26000/- for candidates with Diploma in Engineering
*Eligibility Criteria for HAL Recruitment :*
Educational Qualification : Diploma in Engineering OR Artificer / Aircraft Mechanician Course Certificate issued by Indian Navy which is considered as equivalent to Diploma in Engineering in the relevant Trade OR ITI + NAC/ITI + NCTVT OR Course Certificates like LEMA/ LEMAR issued by Indian Navy which is considered as equivalent to NAC in relevant discipline.
Nationality : Indian
Age Limit : 28 years (as on 01.01.2016)
Age Relaxation :
For SC/ST Candidates : 05 years
For OBC Candidates : 03 years
Job Location : Bangalore (Karnataka)
Selection Process : Eligible candidates short-listed based on the initial screening will be called for Written Test.
Application Fee : Candidates have to Pay Rs. 200/- through Demand Draft drawn on any Nationalized bank in favour of HAL – Helicopter MRO Division', payable at Bangalore. Candidates belonging to SC/ST/PWD category are exempted from payment of Application Fee.
How to Apply HAL Vacancy : Interested candidates may apply in Prescribed Application Form along with self attested copies of certificates & Document in proof of age, qualification, mark sheets, Experience, Training & Caste & Demand Draft send to the Chief Manager (HR) Hindustan Aeronautics Limited, Accessories Division, HAL Post Office, Lucknow (U.P.) – 226016. on or before 02.03.2016 .
Important Dates to Remember : Last Date For Submission of Application : 02.03.2016